রিও ওলেম্পিক্কী ক্বলিফায়িং স্টেন্দর্দতা অহোংবা খরা লৈখিবদগী হান্না ক্বালিফাই ওইরমদবদগী ক্বালিফাহদ ওইরক্লবা ইন্দিয়াগী দিসকস থ্রো এঠলিট বিকাস গোদা

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কংলা মোটতা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ৬শুবা মণিপুর ষ্টেট কেনোৱিং কয়াকিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫ তা কম্পিটিসন শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং

## ———হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ সিজন টু———

# চেন্নাইন এফ সিনা এটলেটিকো দি কোলকটাবু পাঞ্জল ৩–০ দা ২শুবা সেমি ফাইনেলগী অহান্বা লেগতা থোইখ্রে


চেন্নাহনৈ এফ সিগী মাইকৈদগী অহান্বা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা পেলিসারিনা ফ্রিকিক কাওখিবগী মতাং

*পুনে, দিসেম্বর ১২ ঃ*

হিরো ইন্দিয়ন সুপর লিগ সিজন–২গী ঙসি পুনে সহরদা লৈবা শ্রী সিব সত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২শুবা সেমি ফাইনেলগী অহান্বা লেগতা চেন্নাইন এফ সিনা এটলেটিকো দি কোলকাটাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সেমি ফাইনেল মেটচ মমাংদা পীখিবা সেদ্যুলদা চেন্নাইদা শান্নরমগদবনি অদুবু হৌখিবা চয়োলদা মফম অদুদা ঈশিং ঈচাও থোকখিবা মরম্না মহারাষ্ট্র রাজ্যগী পুনে সিটিদা শান্নখিবনি।

এটলেটিকো দি কোলকাটানা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী মমাংগী অহৌবা ইদিসনদা টাইটল লৌবা ভমখিবনি। ঙসি টিম অদুনা চেন্নাই এফ সিগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা চেন্নাইননা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক্ট চথবগী চাং হেনখি।

১৪শুবা মিনিত্তা কোলকাটাগী ওগষ্টতিন মথন্তা শোয়জবদগী মখোঙ লৈথেক্তুনা মেটচ অদু ঙাইহাক শান্নবা ঙমদনা মপান থোখি।

২২শুবা মিনিত্তা চেন্নাইন এফ সিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা থোই সিংহনা কাওরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমা টিম মেট পেলি সারিনা ঙাইদুনা লৈখিবনি অদুবু কোলকাটাগী দিফেন্দর রিনো অন্তোনা হান্নবা হেদ তৌখিদুনা বোল অদু পেলিসারিনা ফংবা ঙমখিদে।

শান্নগী ৩৯শুবা মিনিত্তা চেন্নাইন এফ সিগী মাইকৈদগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমা টিম অদুগী ব্রুনো পেলিসরিনা ৱাৰ্ল্ড ক্লাস কিক অমা কাওদুনা কোলকটাগী দিফেন্দরশিংনা শেমখিবা ৱাল্ড অদু মায়থীবা পীদুনা মেটচ অদুগী অহান্বা পাঞ্জল অদু চনখি।

অহান্বা হাল্ফ অদুগী লেমহৌবা মিনিৎ খরা অদুদা কোলকটাগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ২শুবা হাল্ফ হৌখি।

২শুবা হাল্ফ হেক হৌবগা চেন্নাইন এফ সিগী মাইকৈদগী এটেক্ট চথবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনিত্তা চেন্নাইনগী ষ্টেবেন মেন্দোয়া ভেলেন্সিয়া পুশিল্লপা বোল অমা টিম মেট জেজেদা খায়দোরকপদা জেজেনা অশোয় অঙাম য়াওদনা অনিশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অনি শোখরবা এটলেটিকোল দি কোলকাটাগী শান্নরোইশিং মখা তানা মখোয়না পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ চেন্নাই ইনগী ভেলেসিয়ানা মহাক্কী টিম মেট জেজেনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না কোলকটাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মমাংগী চেম্পিয়ন এঠলেটিকো দি কোলকটানা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অহুম অদু হন্দোকপা ঙমদনা লীগ অসিগী ২শুবা সেমি ফাইনেলগী অহান্বা লেগ অদু চেন্নাইনা মায় পাকখি।

| SEMI FINAL 2 (1ST LEG) MATCH RESULT | | | NEXT MATCH 15TH DECEMBER 2015 |
|---|---|---|---|
| CHENNAIYIN F.C. | VS | KOLKATA | FC GOA -VS- DELHI DYNAMOS FC |
| GOALS - 3 | | GOAL -0 | |

## ———আই লীগ সেকেন্দ ডিবিজন ২০১৫–১৬———

# নেরোকা এফ সিনা মহমদন স্পোর্টিং গোল ২–১দা মায়থিবা পীরগা ইষ্টর্ন কনফরেন্সকী মকোক্তা লৈখ্রে


মহমদন স্পোর্টিংগা তাউরস অমদি নেরোকা এফ সিগী সোহেল সহানা হেদ্দিং তৌননবা হোৎনখিবা

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ ঃ*

নেরোকা এফ সিনা মহমদন স্পোর্টিং কোলকতাবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীরগা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চথরিবা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজন ২০১৫–২০১৬কী খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নেরোকাগী অনীশুবা হোম মেটচতা মায়পাক্তুনা ইষ্টর্ন কনফরেন্সকী ওইনা মেটচ ৪দগী পোইন্ট ১০ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসিগী মেটচ অদু লোয়গদবা অপীবা মতম মিনিট ৬ লোম ৱাংলিঙৈ মতমদা মহমদন স্পোর্টিংগী সাইকট সহা রোই অমদি নেরোকা এফ সিগী চিঙাখম অনন্দ কুমার সিংহগা বোল মুন্নবা হোৎনবদা রেফরিনা দিসিজন মতম চানা পীখিদবদগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা খৎন–চৈন্নবা থোকপদ নত্তনা অয়েংবা ভাবকশিংনা গেলরিদগী বোটলনচিংবা কয়া লংথরকপদগী শান্নবা ঙাইহাক লেপখি। মতম অদুদা টিম অনীমক্না গোল ১–১দা চন্নদুনা লৈনখি।

মিনিট খর শান্নবা লেপলুরবা মতুং অরোইবা মিনিট ৯০শুবদা নেরোকা এফ সিগী গোলকিপ্পর এল অশোক সিংহ অমদি মহমদন স্পোর্টিংগী তাওরস তেক্লোমপ্পে মানেদা রেফরিনা রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তান্থোকখি। মতম অদুমক্তদা নেরোকা এফ সিগী চিঙাখম অনন্দ কুমার সিংহ অমদি মহমদন স্পোর্টিংগী সাইকট সহা রোইদসু য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

শান্নরোই ১০। ১০ খক্তুনা মখাতানা শান্নখিবা মেটচ অদু অশোকপা অমদি মতম খর শান্নবা লেপখিবনা মরম ওইরগা মিনিট ৮ হাপ্তুনা শান্নখি। অহাপ্পা মতমগী ৬ শুবা মিনিট অদুগা শান্নবগী অপুনগী মতমনা ৯৬শুবা মিনিত্তা নেরোকা এফ সিগী এম অশোক সিংহনা চিঙাখম অনন্দ কুমার সিংহনা লেপ্ত ফ্লেঙ্কতগী পীরকপা ক্রোসতা হেদ্দিংদা চন্দুনা মায়পাকপগী অনীশুবা গোল ওইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়ব ফাওবদা গোল অমত্ত চন্নবা ঙম্নখিদে। মেটচ অদুগী অহানবা গোলনা ৪৯শুবা মিনিত্ত ও আই জোসেপনা মহমদন স্পোর্টিংগী গোলকিপ্পর সৌরব চক্রবর্তিনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখিবা বোলদগী অনীশুবা এটেম্প তৌবগা চনখি। অহানবা গোল এটেম্পনা টিঐচ জোন্সন সিংহনা তৌখিবনি।

মহমদন স্পোর্টিংগী দ্রো ওইহনখিবগী গোলনা শান্নবগী ৭২শুবা মিনিট্ত্র অজয় সিংনা চনখি। মেটচ অদুগী ৩শুবা মিনিট্ত্র নেরোকা এফ সিগী ইমরান খাননা মহমদন স্পোর্টিংগী প্রীতম সিংহ নিংথৌজমদা ফউল তৌরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

নেরোকা এফ সিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৯দা গুৱাহাতি এফ সিগা অহুমশুবা হোম মেটচ ওইনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা শান্নরগনি।

## ভাবকশিংনা অচুম্বা খোংথাংদা মীৎয়েং তাহননিংই–গিফত রাই খান

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ঃ*

মেটচ শান্নবা লোয়রবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা নেরোকা এফ সিগী হেদ কোচ গিফ্ত রাই খাননা ফোংদোকখিবদা মেটচ মীৎয়েং তারিবা ভাবকশিংনা অচুম্বা মওংদা তুংদা লাক্কদৌরিবা মেটচশিংদা য়েংবীয়ু হায়না অপীল তৌরক্লি। হোম মেটচ ওইনা ইম্ফালদা শান্নবা ফংলিবা অসি ভাবকশিংগী ফজদবা থৌওং কয়া উৎলক্লবদি অতোপ্পা ষ্টেট অমদা পুখিবসু য়াই হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

মহদন স্পোর্টিংগী হেদ কোচ সুব্রত ভাতচার্জিয়ানা ফোংদোকখিবদা ঙসিগী মেটচ অদুদা করিসু নুংঙাইতবা অমত্ত পোকপা লৈখিদে। রেফরিগী দিসিজনদা খজিত্তুদি নুংঙাইতবা ফাওই। তুংদা লাক্লদৌরিবা মেটচ কয়াদা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখি।

# ইন্টরনেসনেল প্রেমিয়ার টেনিস লীগতা ইন্দিয়ন এসেসকী মায়কৈদগী নদালনা রোজর ফেন্দরবু থোইখ্রে


ইন্দিয়ন এসেসকী মাইকৈদগী শান্নখিবা রাফেল নদাল (য়েৎ) অমসুং শিঙ্গপুর স্লেমর্সকী টিমদগী শান্নরকপা রোজর ফেন্দররগা ৱারি শান্নবা

*নিউ দিল্লি দিসেম্বর ১২ঃ*

মালেমগী নুপাগী টেনিস শান্নরোইশিংগী মনুংদা মমীং লৈরবা রাফেল নদালনা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেন্দররবু মায়থীবা পীদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল প্রেমিয়ার টেনিস লীগকী মেটচ অমদা ইন্দিয়ন এসেসপু মায় পাকহনখ্রে।

রোজর ফেন্দরর য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেষ্টকী টিম অমা ওইরিবা রোয়েলসকী মাইকৈদগী শান্নখিবনি অমরোমদা রাফেল নদালনা ইন্দিয়াগী টিম ওইরিবা ইন্দিয়ন এসেসকী মাইকৈদগী শান্নরকপনি।

নদাল অমসুং ফেন্দররগী মেটচ অদুনা টিম অনিগী মরক্তা শান্নখিবা অরোইবা মেটচনি। মদুদা শান্নরোই অনিনা য়াম্না মান্নবা মওংদা সেট অদু লম্বা তৌনরকপদা গেম ৫–৫ থোইনদুনা লৈরকপদা নিয়মগী মতুংইন্না টাই ব্রেক সুট আউটতা নদালনা থোইদুনা ঙসি লোইশিনখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়ন এসেসনা য়ু এ ই রোয়েলসপু গেম ৩০–১৯ দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লিয়ন্দর পেসনা জপান ৱারেসকী মায়কৈদা শান্নরকপদা হৌরকপদা য়াম্না ফজরম্বদগী শিঙ্গপুর স্লেমর্সকী মখুৎতা গেম ২১–২৪ দা মায়থীবা নংখি।

শিঙ্গপুর স্লেমর্সকী মাইকৈদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ক্রাইগিয়োসনা নুপাগী সিঙ্গলস অমসুং নুপাগী দবলসতা মায় পাকহনবা ঙমখি।

মদুগী মমাংদা স্লেমর্সকী মাইকৈদগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপতা খৃষ্টিনা ক্লিসকোভা অমসুং দষ্টিন ব্রাউননা জপান ৱারিয়র্সকী লিয়ন্দর পেস অমসুং কিষ্টন ফ্লিপকেন্সপু ৬–৪ দা থোইদুনা মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

# ৩শুবা পালমৈপুই মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ঃ*

শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবকী গ্রাউন্দা চথরিবা ৩শুবা পালমৈপুই মেমোরিএল জেলিয়ারোং সিক্স এ সাইদ মেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কখুলোং কে ৱাই সিনা অলফা দিমদাইলোংবু গোল ৫– ০দা মায়থিবা পীখ্রে। নমদুলোংনা সাইরেম (বি)বু গোল ৯–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

কখুলোং অমদি অলফা দিমদাইলোংনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কখুলোংগী গোল ৫ অদু অঙাংপুনা ২৬, ২৯ অমদি ৩১শুবা মিনিট্টা গোল ৩ অদুগা দাইশিংঙমনা ২৫ অমদি ২৭শুবা মিনিট্টা গোল অনী চনখি।

নমদুলোং অমদি সাইরেম (বি)না শান্নখিবা মেটচ অদুদা নমদুলোংগী গোল ৯ অদু জোন্সননা ১৮, ২০, ২৬ অমদি ৩১শুবা মিনিট্টা গোল ৪, তিংকুনা ১৫, ৩২ অমদি ৩৮শুবা মিনিট্টা গোল ৩ অমসুং পুপুনা ২৮ অমদি ৩৮শুবা মিনিট্টা গোল ২ চনখিবনি।

নমগুইলোং অমদি ফ্রেন্দস ফোরইভর এফ সিনা শান্নগদবা মেটচতা নমগুইলোং লাক্তবদগী ফ্রেন্দস ফোরইভর এফ সিনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।

শওম্বুং নমদাই এস কে ৱাই সি অমদি কৈখু কে ৱাই সিনা শান্নখিবা মেটচতা শওম্বুং নমদাইনা গোল ২–০দা মায়পাকখ্রে। শওম্বুং নমদাইগী গোল ২ অদু বুই বুইনা অমদি সঞ্জয়না ১৩ অমদি ২৩শুবা মিনিট্টা অমমম চনখিবনি।

# মোদেল ক্লব (বি)না দি এস য়ু রন ৫৪দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ঃ*

মোদেল ক্লব (বি)না দি এস য়ুবু লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দা চথরিবা ১৩শুবা মণিপুর ভেত্তরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৫–১৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ রন ৫৪দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা মোদেল ক্লব (বি)না টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং খনখিবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেৎ ৮ আউত ওইরদা রন ১৪৪ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা সঞ্জিৎনা বোল ৪৮দা রন ৪৮, দেমিন্না বোল ৩৮দা রন ২১, অকবরনা বোল ৯দা রন ১১ অমদি মনোরঞ্জননা বোল ২২দা রন ১২ লৌখি।

দি এস য়ুগী বোল্লর হিমতনা ৱিকেৎ অমদি কৃষ্ণ কুমারনা ৱিকেৎ অনী লৌখি।

দি এস য়ুনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেত্তিং তৌখিবদা ওভর ২৫.৩দা ৱিকেৎ পুম্নমক আউত ওইরগা রন ৯০ লৌবদগী মোদেল ক্লব (বি)গী মখুত্তা রন ৫৪দা মায়থিখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা রোমেসনা বোল ৬১দা রন ৩২, কৃষ্ণ কুমারনা বোল ২৭তা রন ৩১ অমদি দেবেন্দ্রনা বোল ২৪দা রন ১১ লৌখি।

মোদেল ক্লব (বি)গী রোনি অমদি সঞ্জিৎনা ৱিকেৎ ৩। ৩ অমদি রাকেসনা ৱিকেৎ ২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লব (বি)গী সঞ্জিৎনা রন ৪৮ অমদি ৱিকেৎ ৩ লৌদুনা তাখি। মথংগী মেটচ তাং ১৪দা চেম্প অমদি সাইক্লোন শান্নরগনি।

# অনীশুবা ইমা ইমোইনু ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫–১৬

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ঃ*

থম্নাপোকপী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ইমা ইমোইনু ত্রোফি ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্তকী অহানবা মেটচতা মোনেলজাংনা সৈজাং এস পি ৱাই সি (বি)বু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতনা সৈজাং এস ৱাই ওনা কাঙু চীংজিনবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সৈজাং এস পি ৱাই সি (এ) অমদি সেক্তা পি এল এ গোল ১–১দা দ্রো ওইখ্রে। অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা মোলনোমনা লমলাই (বি)বু গোল ৫–১ মায়থিবা পীখ্রে।

মোনেলজাং অমদি সৈজাং এস পি ৱাই সি (বি)না শান্নখিবা মেটচ অদুগী মোনেলজাংগী গোল ৩ অদু লেটমিনগৌনা গোল ২ অদুগা লেটগৌমাংনা অমা চনখিবনি।

সৈজাং এস ৱাই ও অমদি কাঙু চীংজিন্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী সৈজাং এস ৱাই ওগী গোল ৪ অদু সনাতোন, লোয়া, থানিল অমদি ভিভেকনা গোল অমমম চনখিবনি। কাঙু চীংজিনগী গোল অদুনা প্রেমচন্দ্রনা চনখিবনি।

সৈজাং এস পি ৱাই সি (এ) গোলনা পি ঐচ সন্তোসনা অমদি সেক্তা পি এল এগী গোলনা নাওবনা চনখিবনি। মোলনোম অমদি লমলাই (বি)না শান্নখিবা মেটচকী মোলনোমগী গোলশিং অদু ঙমখোলান্না ৩, বোইলেন অমদি জালেনশাংনা অমমম চনখি। লমলাইগী গোলনা ভুমেশ্বরনা চনখি।




